A newspaper dedicated for the cause of Human Rights

ꯅꯍꯥꯔꯣꯂꯒꯤ ꯊꯧꯗꯥꯡ

নহারোলগী থৌদাং

সেপ্টেম্বর তাং ৫, ২০১১ ইং লাংবনগী ৮নি পানবা, নিংথৌকাবা

# মপুগী মিংখৈ শোল্লশি

*তাইবং মীওইবা ঐখোয় অসি অৱা- অনা তারবা অমসুং অতৈ পাম্বৈ লৈরক্তুবা মতমদা অচৎ-চৎত, লেঙলি-পাল্লিবা অমদি মালঙ-নোংলমপান থা, থৱান মীমচাক, নুমিৎ খিবীক অসিবু শেন্বী -শাবিরিবা অদুগুম্বা মতীক ময়াই চাউরবা মপু অদুগী মিংখৈ হেক হেক শোন্নৈ। খৈরবা, অতোপ্পা অমমুক লৈত্রবা মিংখৈ অসি শোল্লগা ঐগী, নঙগী, মাগী হায়বা ৱাখল অসিতনা মরম ওইদুনা মহৈ মহৈ কঙাওননা হিংনরিবা মায়াগী সংশার অসিদা মীওইবনা অরান-খুভম ফংনৈ, লাইরৈপাক্লা তমজনফম ওইরবা ঈং-চীক্লবা অমসুং নুংশি-চান্ননা হিংমিন্নবা তেংবানবা অমগী মঙ মঙই। ঙসিদগী চহি ৪৯৫গী মমাঙগী ইংলেন্দদা থোমাস মুরনা 'উতোপিয়া' হায়না মিংথোনবা --- অসিগুম্বা লাইরৈপাক্লা তমজনফম ওইরবা ঈং-চীক্লবা তেংবানবা অমগী মশক উৎপা--- মমিং চৎলবা ৱারেং-লাইরীক অদু ইদুনা পুথোক্লিৈঙৈ চহী লীশীং অনি অহুমলোমগী মমাঙদা ইনি দয়াগী বেদ-শাস্ত্র অমসুং উপনিষদনচিংবা কয়ানা নিংথৌশু, প্রজাশু খেন্নবা লৈতবা, ফত্তবা অরানবা হায়বদু মশক খঙদবা 'রামরাজ্য'গী আইদিয়েলিজম অদু পাক-শন্না শন্দোকখ্রে। মতুংদা খৃষ্টিয়ানিতি অমসুং ইস্লাম লাইনীংনচিংবা কয়া শন্দোক্লক্তুনা শাবুক-ঙাবুক্লরবা মীওইবগী লাকঙম-ফাঙমদ্রবা পূক্নীংগী অঙাওবা শগোলবু য়াচল লাক্লবা হোৎনরকখি। অদুবু পুন্নমক অসি অদুক হাক্লা মহৈ য়ানবা উদে। নোংম-নোংমগী মীওইবনা ফত্তবা, তমথিবা অমসুং হিংচা-য়াইতম্বগী শাজৎ চৎপা হেঞ্জিল্লকই। মালেম অসি অকনবনা অশোনববু তুহৎফম অমদি লানঙম ফীরাল থেৎপা ঙম্বা কাঙবু অদুনা অচুম্বা শকফম ওইনা ঙসিসু অদুম্মক হিংনরি। মসিবু গীতাদা শ্রীকৃষ্ণনা "তেংবানবা অসি পরম প্রকৃতি অমসুং পরম পুরুষ অনিগী কর্ম্ম ফল ওইনা ফংবগুম ঐখোয় মীওইবসু হিংদুনা লৈনবগীদমক্তা কর্ম্ম তৌদবা য়াদে, মরম অসিনা হে আর্জ্জুন ! কুরুক্ষেত্রগী লানফম অসিদা নঙগী নমাঙদা লৈরিবা কৌরব তেঙ্গোলগী নবুধৌশিং অমসুং নচিন-ননাউ, নখুরা-নতোন পুন্নমক অসি নঙগী য়েক্লবনি খল্লু, মখোয়বু হাৎপা হায়বসি নহাক্কী তৌফম থোকপা কর্ম্মনি" হায়না মশক তাকই। ৱাফম অসি ওইদুনসু অরানবা অমসুং মীগী মাঙনবা শীনবা কর্ম্ম অদুদি হীন্দু শাস্ত্র য়াওনা মালেম অসিদা লৈরিবা করিগুম্বা লাইনীং মখল অমত্তনা অয়াবা পীবা তৌদে। শাস্ত্রনা লাউরি মীওইবা পুন্নমক অমত্তনি, উপাল অমদা উহৈ কয়ামরুম পানবগুম মপূ মহাক্কী মচা-মশু ঙাক্তুনি, অৱাবা অমসুং নুংঙাইবা মীৎকুপ খুদীংমক্তা মপু মহাকপু কাউগনু, মপুগী মিংখৈ শোল্লু, মদুতদা তাইবংগী অৱাবা কোক্কনি। থৌওং অসিমক ঙসিগী মালেম অসিদা হীন্দুসু, খৃষ্টিয়ানসু অদুগা ইস্লামিকশিংনসু তৌনরি। রাম নাম শোল্লগা কংশগী শক্লোন লৌনরি, প্রভু যিশুগী মিংদা মীওইবগী অঙাংবা ঈখেংনা মশা মশাগী পাপ চামথোক্লবা হোৎনরি অমসুং শেংলেন শেংথোইরবা পড়ৱরদিগার অল্লাহগী জিহাদিশিনা মালেম অসিবু ঙাইঙমদ্রবা মতৌদা কয়ামতকি অরোইবা পূংফম অদু তম্না চিংশিল্লক্লি। লাল হায়বসি মীওইবগী মনাৎনি। অদুবু অসিগুম্বা মনাৎ অসিদা মীওইবশিংগী মশাদা য়াওরিবা অফ-ফত্ত অমসুং অচুম-অরান খঙ্বা ঙম্বগী গুন অদু মমি তাহনবা ঙম্লবদি লাইরৈপাক্লা তমজনম ওইরবা ইং-চীক্লবা মালেম অমা শেমগৎপা ওইথোক্কনি। ফি শেৎপা মীওইবগী চাওখৎপা নত্রগা সিভিলাইজেসন হায়না খঙনরিবা অসিগী অশেংবা ৱাহন্থোক অদুসু মসিনি। অসিগুম্বা গুন অসি ঐখোয়গী লৈঙাক-মপুশিং, অমসুং মীয়াম পুন্নমক্কী মফমদা পীনবীনবা তাইবং-মপুগী মিৎখৈ শক-শোন্দুনা থৌনিরসি।*

## এদিটরদা পীরকপা চিঠি

### কনানা ইম্ফাল মার্কেট কন্ট্রোল তৌরি

ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,

হৌজিক ইম্ফাল সিটি কাংলুপ খুদিংমক্কী মীওইশিংনা করবার ললোন-ইতিক্কী থবক তৌনরি। পোৎ-চৈ য়োনবা, ললোন ইতিক্কী তৌবনা মীওইবগী শেন্দোং য়াম্না ফংদুনা ইনাকখুনবা হায়বদু ওইনরি। ললোন-ইতিক তৌফম অচৌবা মার্কেট লৈরগদি লৈবাক অমগী চাওখৎপগী মমি তাই । মতাং অসিদা করম্বা মীওইগী কাংলুপনা অচৌবা মার্কেট অমা কন্ট্রোল তৌই হায়বগী ৱাফম অমসু লাকই। এসিয়া লৈবাকশিং অসি জপানগী টেক্নোলোজিগী পোথোকশিংনা মার্কেট কন্ট্রোল তৌরম্মী অদুবু হৌজিক্কী ওইনতিদ চাইনানা লৈবাক অয়াম্বা কন্ট্রোল তৌরে। হৌজিক ইম্ফাল মার্কেট কনানা কন্ট্রোল তৌরি হায়বা য়েংবা য়াই। চাওরাকপা অমগী মতুংইন্না ময়াই ওইরপ্পদগী অচৌবা বিজনেস সেক্টরদা মপু ওইবা কাংলুপকী ওইবা চাদা পাবদা চাদা ৬০না মরৱারি জৈন মীওইশিংনি, চাদা ৫ পঞ্জাবীনি, চাদা ৩ বিহারিনি, চাদা ২ ইথনিক ট্রাইবনি অদুগা চাদা ৩০ না মৈতৈনি। চহি ১০গী মতুংদদি মৈতৈনা চাদা ৪০ মার্কেট কন্ট্রোল তৌবা য়ানা লৈরে। মৈতৈ খরদি বিজনেস সেক্টরদা য়াম্না থৱায় য়াওবা হৌরে। মৈতৈনা ইম্ফাল মার্কেট কন্ট্রোল তৌগে হায়রগদি সেক্টর অসিদা চাদা ৬০ কন্ট্রোল তৌবা তাই। অদুগা চাদা ১০ না ইথনিক ট্রাইবনা কন্ট্রোল তৌবা তাই। অদু লেমহেরিবা চাদা ৩০ না মপালগী ষ্টেটতগী লাকপা মীওইশিংনা ওইবা তাই। মার্কেট অমা চাওখৎহনবদা মপালগী ষ্টেটকী মীওইশিংসু য়াম্না দরকার ওই। মণিপুরিনি হায়রগা মার্কেটনা মপালগী মীওইশিংনা কন্ট্রোল তৌরগদি লৈবাক অসি মনিংতম্বগী অর্থ লৈতরে। হিরম অসিদা হেন্না মীৎয়েং চংবা অমদি হোৎনবা কনবনা হেন্না ফবা ওইগনি। অতৈ অতৈদি অনিশুবা সেকেন্দরিদা থমসি।

অদোমগী
এ কে ধীরেন মৈতৈ
থৌবাল ৱাংমা তাবা

# আই এম এক্সত্রিম্লি সোরি

**এম বিশো, হৈরোক**

দেমোক্রেসি চৎপা মীয়ামগী মীহুৎনা লৈবাক ঙাকপা লমদমসিদদি রাজনিতি তৌবা মীওইশিং অসি মপুকচেল শেংবা তাই, মোরেল ৱাংনা লৈবা ওইবা তাই। হায়বদি ৱা ঙাংথোক্লিঙৈদা হান্নগা খহুবা চংই, হায়দোকখিবা ৱা ঙাক্লা চৎপা তাই। মীয়ামগী ইন্টরেষ্টতা পুক্নিং-ৱাখল চঙনা মরন্নাইগী ৱাখল থাদোক্তুনা থবক থৌরাং পুন্নমক চঙশিনবগী তঙাইফদবা লৈ। খজিক্তং শোইবদা ইকাইবা ফাওবা তাই। মদুননা চাওথোক্লা মরাল য়াজবগী থৌনা লৈবা চংই। মতমদুদা মীয়াম্না পীরকপা রেস্পোন্সকী মতুংইন্না থবক মখা চথবা নত্রগা চথদবগী ফিরেপ লৌবা অচুম্বা রাজনিতিগী খোঙথাং ওইগনি খল্লি। হন্দক্তা জপানগী সুনামিনা থোকহল্লকখিবা তঙদু লৈতাদবা অমসুং শোকচিল্লকখিবা শেল-থুমগী ফিভমদা জপানগী প্রজাশিংনা প্রাইম মিনিষ্টর নাউতোকানগী সরকারবু ৱারৌনরকপদগী মহাক মফম থাদোকখ্রে, অনৌবা প্রাইম মিনিষ্টর খনখ্রে। মসি দেমোক্রেসিগী চৎনবিদা মোরেলিতিগী খল ওন্নরকপদা শ্রীনাউতোকান মশানা অচুম্বা ফিরেপনি খন্না ফম থাদোকখিবা ওইরমগনি খল্লি। মশানা মশাবু কনানো, করম্বা সরকারগী করম্বা মীহুৎনো খঙজবদগী খোঙথাংসে লৌখিবা ওইগনি।

ইন্দিয়ান দেমোক্রেসিদসু অসিগুম্বা রাজনিতি তৌবা মীওই য়াওদবদি নত্তে য়াওই। মমিং পল্লুদ্রবসু য়ারে। পঞ্জনিংবা হায়রগদি হিরমসিগা খজিক্তং খেন্নজরবসু টামিলনাড়ুগী এ আই দি এম কে অমসুং দি এম কে রিজনেল পার্টি অনিসিগী রাজনিতিগী কাংলোন্দা শিন্দোক শিঞ্জিন শক্তি লৈনা আল্টরনেটিভ সরকার লুচিংদুনা সাসন তৌরকপা কুইরে। মসি লমদমদুগী প্রজাশিংনা দেমোক্রেসিগী হক নিংতম্না করম্না শিজিন্নগদগে খঙবা, মদুদা য়ৈখাই থিনগাই পিবগী চাং হন্থরকপা লোয়ননা রাজনিতিগী লুচিং পুরেল ওইরিবা জয়াললিথা অমসুং করুনানিধিগী পোলিটিকেল করেজনা ৱাংখিবা মতম মতমগী ষ্টেট ইশুদা থৌনা লৈনা ক্রিটিসাইজ তৌবা অমসুং মীয়ামবু হিরমদুদা ভাব তাহনবা ঙম্বা লুচিংবা ওইবননি হায়নিংই

আইন কায়না খোনি তৌথোক্লুবগী কর্নাটকাগী বি জে পি গভর্নমেন্টকী চিফ মিনিষ্টর য়েদুরাপ্পাগী খুৎ চাওনা চেন্নরম্বদগী বি জে পি গী সেন্ট্রেল লিদরশিংনা ইকাইবদগী ফম থাদোক্লবা খয়াৎ শেগাইবমখৈ লাওখি। ফম থাদোক্লিংদবদগী কোইচেন চেন্দুনা খাঙখি অদুবু চেন্দুনা য়াখিদে। মফম চিংথখি। মসিসু মীয়াম মাংদা উৎ চাইবা রাজনিতিগী কেরেক্টর অমখক্লি হায়বা তাই। গুজরাটকী চিফ মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিবু বি জে পি না মোদেল অমা ওইনা পুথোক্লবা হোৎনরকপদা মথম্মোইদা চিংনদবা ফাওবদবদি নত্তে। হৌখিবা লোক সভা মীখলদা বি জে পিনা অমুক্লা হন্না মাইথিবা ফংখিবগী শ্রী মোদিবু প্রাইম মিনিষ্টিরিয়েল কেন্দিদেট ওইনা পুথোক্লুবদগীনি ঙাংনরকপদা পার্টিসিনা মহাকপু অসুম্না পুথোকখিবা লৈতে হানা য়েৎনখি। লোয়ননা গুজরাটতা আর টি আই গী এক্তিভিষ্টশিংবু ওৎ-নৈবী হায়না কংগ্রেসনা অকনবা চার্জ তৌনরি। য়ু পি এ গী কোলিগ মেম্বর আর জে দি না হৌখিবা বিহারগী এসেমব্লি মীখলদা শ্রীনিতিস কুমারগী জনটা দল (য়ু)গী সরকারবু অঙকপা ফংনা অথিবা ৱাহৈ কয়া শিজিন্নদুনা মাইথিবা পীনবা হোৎনখিবা পুম্বা ফেল ওইখি। শ্রীনিতিস কুমারগী সিন্সরিটি অমসুং মোরেলিটিদা য়ুম্ফম ওইবা রাজনিতিদা মতম শাংনা মীরাইবিরুরবা অমসুং শোত্তরুরবা বিহারগী প্রজাশিংনা পেনবদগী, থাজবদগী মহাক্কী সরকার চাওনা মায় পাক্তুনা অমুক শাসন পাইরক্লিবসিনি। শেঞ্জা থুমজাদা মরেপ য়ৌনা লুপ্পুরবা শ্রীলালু তুমিন লৈবা তাখি, হৌখিবগী নিংশিং নিংশিংনা। চহি কয়া মনম লৈবাক তারক্তুবা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী সি পি এমগী সরকার ঙসিদি অখাঙ কনবী অকিবা লৈতবগী খ্বাসদগী চম্না হিংলিবা রাজনিতি তৌবা মীওই অমনি হায়নরিবা মমতা বেনর্জিগী মখুৎতা অমসুং মাগী লোঙখ্রৌদা লোঙনা লৈমাইদা তাখ্রে। পুন্নমকসি শ্রীমমতাগী নিংহন্নবা লৈতবা তপ্না লেপ্তুনা মাঙলোমদা থাঙবা খোঙথাংদুনা ৱেষ্ট বেঙ্গোলগী চিফ মিনিষ্টর চৌক্রি য়ৌখিবনি হায়বদা লাল্লোই খল্লি। মসিনা রাজনিতিদা অখাং কনবা, হোংদবা ফিরেপ অমসুং মীয়ামগীদমক থৌনা লৈনা ওইজবা থাদোক্তুনা চঙশিনবা দরকার লৈ তাক্লি।

মীয়ামগী ইন্টরেষ্টতা পুক্নিং-ৱাখল চঙনা মরন্নাইগী ৱাখল থাদোক্তুনা থবক থৌরাং পুন্নমক চঙশিনবগী তঙাইফদবা লৈ। খজিক্তং শোইবদা ইকাইবা ফাওবা তাই। মদুননা চাওথোক্লা মরাল য়াজবগী থৌনা লৈবা চংই। মতমদুদা মীয়াম্না পীরকপা রেস্পোন্সকী মতুংইন্না থবক মখা চথবা নত্রগা চথদবগী ফিরেপ লৌবা অচুম্বা রাজনিতিগী খোঙথাং ওইগনি খল্লি। হন্দক্তা জপানগী সুনামিনা থোকহল্লকখিবা তঙদু লৈতাদবা অমসুং শোকচিল্লকখিবা শেল-থুমগী ফিভমদা জপানগী প্রজাশিংনা প্রাইম মিনিষ্টর নাউতোকানগী সরকারবু ৱারৌনরকপদগী মহাক মফম থাদোকখ্রে, অনৌবা প্রাইম মিনিষ্টর খনখ্রে।

টু-জি স্পেকট্রমগী ৱাথোক্তা এ রাজাগী ৱারী, দি এম কেগী মীহুৎনি য়ুপিএ গভর্নমেন্টকী টেলিকোম মিনিষ্টর ওইরিঙৈদনি। সুরেজ কালমাদি কম্মলৱেলঠ গেমসকী ওর্গনাইজিং কম্মিটিগী চেয়ারমেন, হন্দক্তা পার্লিয়ামেন্টতা চঙহনখিদবা লুপা খাওজাও কয়া মৎখ্রে হায়বগী কেস মায়োক্নরিবা কংগ্রেসকী মীহুৎনি। দিল্লিগী চিফ মিনিষ্টর সিলা দিক্ষিট হিরমসিদা চেন্নৈ হায়বগী নোংম-নোংমগী ময়েক শেংলক্লিবা কংগ্রেসকী লুচিংবী অমনি। জন লোকপাল বিলনা প্রাইম মিনিষ্টর ফাওবা কোনশিনগদবনি হায়বা অন্না হাজারেগী নিঙাইদা শ্রীমনমোহন সিংহ থম্মোই শেংই হায়বদু মঙাই, লৈতাফম খঙদ্রিবনি। কংগ্রেসকী তুংগী আশা চাওনা থল্লিবা রাহুল গান্ধী য়াম্না পেন্দনা এন্টি করপসন এক্তিভিষ্ট অনা হাজারেবু মহাক্কী মরন্নাই ফত্তবা চক্রিনা দেমোক্রেসিগী পার্লিয়ামেন্টরি প্রোসিদিংবু থুগাইগনু হায়না চৈখিবনি। অদুবু অন্নাগী খোঙজংদি মাই পাকখ্রে। মসি অঙকপা নত্তে, দেমোক্রেসিদা মীয়ামগী সহযোগ ফংলবদি পুন্নমক ওইথোক্লিংঙাই লৈতে তাকপনি।

ঙসি মণিপুরদা সোসিয়েল ৱার্কর কয়া থোক্লক্তুনা ১০ শুবা মণিপুর বিধান সভাগী মাঙওইননা তৌনরক্লিবা রাজনিতিগী শক্লোনশিংসে উরুরগা ইকাইবদুম ফাওই। কদাই কদাইদগীনো খঙদবা, শেরান্ননা তালশিল্লুবা শেনয়াম, লুপা খাওজাও কয়া চাইখায়নবা থৌরাং তৌনরক্লিবশিং ঐখোয় প্রজানা করম্বা মওংদা য়েংবা তাই। ভোট মমাঙদা কা হেন্না পৈশা থাদুনা নিশাগী লম্বীদা নহারোল কয়াবু লমজিংবিবা হৌরক্লে। ভোট মতুংদা হৈনরুবা নুংতিগী শাজৎ মরন্নাই তাহৌদুনা সমাজগী কিনিঙাই ওইবা লমচৎ কাইরবা নাগরিক ওইহৌরিবনি। চাওখৎ থৌরাংগী নামাদা থাদরিবা অচৌবা শেনফম কয়া অমুক ফুক্লৎনবা হোৎনরকপদা শেঞ্জা থুমজাগী হৌরকফম অমুক ওইহল্লি। অদুগুম্বা রাজনিতি তৌরিবশিংগী তুংইনবশিংনা ঙসিদি এন্টি করপসনগী ঈহৌদা শরুক য়াবা মতম ওইরে নত্রবদি ঐখোয় নখোয়গী ঙসিগী সভ্যতাসিনা মাঙলোমদা চঙশিনবদি লাইরদনা অসুম অসুম পুখখিদুনা অমুক ফুক্লৎপদা ৱারগদবা ফিভম অমদা লৈখিবা য়াই। মীয়াম প্রজাবু থম্মোই শেংনা নুংশিবিবা তঙদু লৈতাবা সমাজ অমগী ভিজন লৈবা, ঐখোয়গী মীহুৎনি হায়বদা চাওথোকচগদবা, হয়েং ভোট কাখ্রগা বিধান সভাদা "আই এম এক্সত্রিমলি সোরি" কা হায়বা প্রজাগী ইজৎ শোকপা ৱাহৈশিং অসি হায়রোইদৌবা মীহুৎ অমা থিবা মতম ওইরে।

## মীয়ামগী ৱাকৎ

# মৈগী অৱাবসে কৈদৌঙৈনো কোক্কদবা

ইরৈবাক মণিপুরসে প্রোব্লেমগী প্রোব্লেম ঙাক্তনি। নোংমতা লেপ্তে মীহাৎ মীপুন, হুরান চিন্থি, বোম থমজিনবা, লংশিনবা, জোব কার্ডগী ৱাথোক নুমিৎ চামনি শুগদবদা নুমিৎ ৫ / ৬ তা শুহনবা পৈশা পীবীদবগী ইলেক্টেদ পার্সন ফাওবা জেল য়ৌবা, মী ফাবা, মৈ চাং নাইনা পীদবগী ধরনা তৌবগী অসিনচিংবা নুংঙাইতবগী অৱাবগী অদুগা লোয়ননা নুংঙাইবা পাউসু লৈতবদি নত্তে। অর্বান এৱার্ড ফংবগী, ভারত রত্ন ফংবগী, পি ঐচ দি দিগ্রি ফংবগী, শান্নবদা ওভর ওল চেম্পিয়ন ওইরকপগী, সিলভর, ব্রোঞ্জনচিংবা ফংবা নুংঙাইরবা কয়ানি। অদুবু নুংঙাইবগা নুংঙাইতবগা য়েংনবদা নুংঙাইতবা থৌদোক ৱাথোক্লা খরা মহেল্লে হায়বা য়াই। অদু ওইরবদি করম্না চাওখৎপা পুরকপা ঙমগদৌরিবনো? মীওইবা জাতিদি মাংলোমদা চংশিনবনি, তুংলোমদা হন্দগবা নত্তে। নুংগী যুগকী মতম লোইখ্রে, অনৌবা চাওখৎপগী মতমনি। অনৌবা চাওখৎপা মতমসিদা খ্বাইদগী দরকার ওইরিবসি মৈনি। মৈ য়াওদ্রবদি করি অমত্তা তৌবা য়াদবগী ফিভমদা লাক্লি। অতৈ রাজ্যশিংগা য়েংনবদা মণিপুরনা খ্বাইদগী শোত্থনা লৈরি। মণিপুর রিছোর্স ৱাৎপা মীগী মপাল তাংদুনা হিংবা রাজ্য অমা ওইরি। মসি করিগীনো? হোৎনবা ৱাৎপদগীনি শুদনা নুংঙাইনিংবা ঙাক্তা ওইরকপা। হৌজিক মতমগী নুংঙাইবসি পৈশা চংই। পৈশা য়াওদ্রবদি ঙমদে। ইভ্রিথিং দিপেন্দ অপন মীন হায়বদুনি। অদুবু পৈশা পায়রবা পোৎ খুদিংদা ইনাক্তা অসুম ফংবা য়ারে। অদুবু পৈশা তানবদা নিয়ম চুম্না তানবা তাই। মৈ থানবদা পৈশা চংই। মৈসি সরকারগীনি। পৈশা তিংলিবমখৈ নুঙাই হায়বা তারে। চাক থোংবা, ফি তকপা ঈশিং শাহনবা, চিংখৎপা, মোবাইল চার্জ তৌবা, ফেন থাবা, অসিনচিংবা। মীওইবদা অসুক্কী মতিক কান্নখ্রবা মৈ অসিবু করিগীনো চাং নাইনা পীবা ঙমদ্রিবা? মণিপুরগী মীশিং থোইনা অতৈগা য়েংনরুবদা কা হেনবা নত্তে। অসামদা মৈগী প্রোব্লেম লৈত্রগা পীকখ্রবা মণিপুরদনা মতৌ করম্না থোক্লিবা।

...অচৌ-অশাং, ব্যুরোক্রেটশিংদি খাজনা য়াম্না য়াম্না তোল্লি হায়না তাজে। মখোয় মখোয়দদি মৈ ককপা ঙমদে অদুগা পৈশা খরা তোনবশিংদদি মৈ ককপী। মণিপুরগী মৈগী খাজনাসু মফম অমগা অমগা অমত্তা মান্নদে। হৌখিবা থা ৩/৪গী মমাংদা ইম্ফাল অমসুং মসিগী অকোইবদা মরুওইনা ইম্ফাল ময়োলদা মৈ ককপগী ধপ অমা চথরম্মী। খাজনাসু ফনা য়াম্না খোমগৎখ্রে। হৌজিক্তি তোকখ্রবা মাল্লে তাখিদরে। মসিগী মহুৎতা লৈনুংদা ওইনা পুরনি হায়। মসিনা কদাই ফাওবা চুম্না তৌবা ঙমগদৌরিবা।...

মসি সরকারগী অচৌবা অশোয়বা অমনি। ঙসি ঙরাংতগী ৱা নত্রে মতম কুইরে মৈগী অৱাবা মায়োক্ন রিবসি। মৈনা মণিপুরদা থোকপা, ঙানবনা অতৈনা। মসিবু করিগীনো? পৈশা য়াম্না পান্বগী ৱারা, মণিপুরগী পৈশাংদি পৈশা নত্তবরা? লমগী ষন্না মচি শাংবগী ৱানি। পৈশা লৌবদি হৈত্রগা। পীয়ুনা মৈ চাং নাইনা থা অমা অনিদা ওইরবসু। মৈদি পীদ্রগা পীবা ঙমদ্রগা কনানা থিনিংগনি পৈশা। দিপার্টমেন্টশিং কৈদৌরিবগে। এস ও, এ ই মীটর রিদর, লাইনমেনশিং ওফিসতা অসুম ফমজিন্দুনা লৈগদবগী শরুক ফিল্ডদা খরসু চৎপীয়ু। মৈ কোৎপা চেক তৌবিদে। মৈ মল্লিবসি করিগীনো থিদোকপীয়ু। মৈ কোৎলগা নম্বর পীবা য়াদ্রা? কঞ্জুমর ওইহনবা ঙমদ্রা? মৈ কোৎলম্বগী দন্দি পীবা য়াবা য়াদ্রা? কোৎনরম্লবসু পৈশা খরা পীরগা য়াই অসি নত্রা? মণিপুর করি অচুম্বগী আইন চৎনরিবগে। লৈরিবা আইন খুদিংমক মণিপুরদদি পুন্নমক অরেম্বনি। পৈশাদা লোয়না চৎখ্রে। পৈশাবু পীরবদি অরানবদো অচুম্বা ওনখ্রে। পরিক্ষাদা মকোক মথং তারকপা কান্নদ্রে, খনবিদ্রে। থার্দদা মীথিদা পাস তৌরকপনা খনবীরে। মসিনবু অফবা ওইগদ্রা। ডাক্তরকা ওইরবদি মী ফনা য়াম্নদি শিবা শোইরোই। পৈশা নংনা ঙম্বসি ঙম্মীদকো। খোইহনগে চুমহনগে নঙোন্দা লৈরে। খরা পীরগা খরা চুম্বা, য়াম্না পীরগা য়াম্না চুম্বা। নংগী নগুনসি অঙকপনিকো অঙকপা। নং লৈতবদগীনি ৱানরিবা। নংবু তান্নবা হোৎনবদা অরানবা কয়া তৌনরি। য়ুম, কৈ শাগৎপা লেপত্রি। লৌ ইংখোল লৈবা লেপত্রি। মৈবু ফিনা কুপ্পুনা থম্বা য়াৱা? মৈ নংসি কৈদৌঙৈনো করি নুমিৎতনো মপুং ফানা অমুক্তং ঙানবা ফংগদবসে হায়নবনা অয়াম্বা ওইরে। সরকারনসু খঙন-খঙনা খঙশিন্নদা, উনা উনা উশিন্নদনা তৌদুনা লৈরি। ইম্ফাল সহর অমসুং ভি আই পি শিং লৈবা জগাদদি মৈ মুৎতে। লৱাই থৱাইদদি মৈ মুৎলি। মৈ মুৎল-মুৎলগা খাজনদি অসুম অসুম হেনগৎলি। মসিবু করি করম্বা লৈবাক্তা চৎনরিবগে মণিপুর নত্তনা। থবক শুরগা খুৎশুমল ফংবনি, থবক শুদ্রবদি ফংলোই। মতৌ অসিগুম্না মৈগী খাজনাসু ফংলিবা থাল্লিবা পীরিবা মতমদুগী মতুংইন্না পীফম থোক্ত্রা? নোংমসি পুং ২৪ না শাই অদুগা মৈনা পুং ৭/৮ তা ফংই। অদু ওইরবদি থা অমগী খাজনা লৌরিবসি করম্না লৌগদৌরিবনো? থাখাই অমগী ওইনা লৌফম থোক্ত্রা? মৈ থাল্লিবা প্রজাশিংগী খনবিরগা মৈ ঙাল্লিবা মতমগী ওইনা লৌবীয়ু। মৈ মন্ত্রীগীদি লৌবীগনু। মৈ মন্ত্রীগী খাজনা লৌবসি নুংঙাইতে। মসি কেবিনেটনা খন্নরগা ৱারেপ অমদি লৌফম থোকই।

অচৌ-অশাং, ব্যুরোক্রেটশিংদি খাজনা য়াম্না য়াম্না তোল্লি হায়না তাজে। মখোয় মখোয়দদি মৈ ককপা ঙমদে অদুগা পৈশা খরা তোনবশিংদদি মৈ ককপী। মণিপুরগী মৈগী খাজনাসু মফম অমগা অমগা অমত্তা মান্নদে। হৌখিবা থা ৩ / ৪গী মমাংদা ইম্ফাল অমসুং মসিগী অকোইবদা মরুওইনা ইম্ফাল ময়োলদা মৈ ককপগী ধপ অমা চথরম্মী। খাজনাসু ফনা য়াম্না খোমগৎখ্রে। হৌজিক্তি তোকখ্রবা মাল্লে তাখিদরে। মসিগী মহুৎতা লৈনুংদা ওইনা পুরনি হায়। মসিনা কদাই ফাওবা চুম্না তৌবা ঙমগদৌরিবা। মণিপুরগী মফম খুদিংদা মৈ কোৎপগা কোৎতবা কঞ্জুমর অশেংবগা য়েংনবদা কোৎপনা মশিং হেল্লি। মসি খঙনা খঙনা সরকারনসু করিসু তৌবা ঙমদে। কনাগী প্রজানা খাজনা থিনিংগদৌরিবনো? মৈদি পীদনা। মৈ অমুক্তং চাং নাইনা পীবা ঙম্নবা হোৎনখিসি অদুগা খাজনাসু খোম্বীয়ু। কনানা করিসু হায়রক্লোই। হরাও হরাও পীরক্কনি। অদুদি হেক নত্তুদনা। ঙম্মী মতাগুম তৌবসি ফত্তে। মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংনা মৈ চেক তৌবীয়ু। কদাইদা করম্না মাংলিবনো? নুমিৎ খুদিংগী চংদ-য়াদ্রবা অমনি। অমম্বগী মহুৎ শিনবা ঙম্বা ইলেক্ট্রিক্কী মৈনি। হিরম খুদিংদা শিজিন্নবা । অসুক নুংঙাইখ্রবা মৈসি করিগীনো চাং নাইনা পীবা ঙমদ্রিবা? মৈ চাং নাইনা পীবিদুনা খাজনাসু চাং নাইনা খোমগৎপীদুনা প্রজাবু নুংঙাইহনবীয়ু। মৈগী অৱাবসে কৈদৌঙৈনো কোক্কদবা?

অদোমগী
থোকচোম থম্বালঙৌ সিংহ
খাঙবোক ময়াই লৈকাই।

# মণিপুরগী চীংগী দিষ্ট্রিক্টতা এমএলআর এন্দ এলআর এক্ট চৎনহনবা অমসুং ঙমখৈগী সমস্যা

মণিপুর অসি নোর্থ ইষ্টর্ন ষ্টেট তরেৎকী মনুংদা তোপ তোপ্পা কাংলুপ মখল মখা কয়ানা তাবা লৈবাক অমনি। মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্ট মাপলগী মনুংদা মঙানা চীংদনি অদুগা মরিনা তম্পাক্তনি। অদুগা মণিপুরগী লমগী পাক চাওবা অপুনবগী চাম্মদা মরিফু তরানা চীংদনি অদুগা চাম্মনা তরানা তম্পাক্তনি।

পীকখ্রবা তম্পাক অসিদা মৈতৈ কাংলুপ্পা খ্বাইদগী মীশিং য়াম্না তারি অদুগা চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদদি নাগা অমসুং কুকি কাংলুপ্পা মপুং ওইনা খুন্দাদুনা লৈরি। অসুম্না খ্বাইদগী চীংগী লম্না চাওবা চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিং অসিদা মণিপুর লেন্দ রিফোর্ম অমসুং রেভিন্যু এক্ট ১৯৬০ (এমএলআর এন্দ এলআর এক্ট ১৯৬০) অসি হৌজিক ফাওবা চৎনদুনা লৈবনা চীংগী প্রজাশিংগী লমগী শক্তাক চে ওইরিবা পট্টা লৈজদবনা মরম ওইদুনা চাওখ্রবা চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিং অসিদগী লমগী খজনা অমত্তা মণিপুর সরকারদা কাদে অদুগা পীকখ্রবা তম্পাক্কী শরুক্তগী খজনা খরদমক কারকই। মরম অদুনা চীংগী লমদা পট্টা লৈতবনা মরম ওইদুনা তমগী প্রজাশিংনা ডেমোক্রেটিক্কী মওংদা খুন্দাবা য়াদে অদুবু তম্পাক্কী লমশিং অসিদি মশা মশাগী পট্টা লৈজবনা মখল কয়াগী কাংলুপশিংনা লৈবা য়োনবগী খুদোংচাবা লৈবনা খুন্দানবগী খুদোংচাবা অদু ফংলি। মরম অসিনা মতম চানা এমএলআর এন্দ এল আর এক্ট ১৯৬০ অসি চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা চৎনহৌদ্রবদি মণিপুর সরকার খঙদনা মণিপুর চীংগী ঙমখৈগা তাইনবগী মখল মখা কাংলুপশিংনা চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা অতৎ অখম লৈতনা খুন্দাশিল্লকপনা চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা খঙহৌদনা মীশিং খঙহেন হেনগৎনবগী মচাক অমা ওইরগনি।

মমাংদা হৌখিবা সরকারনা মণিপুরগী টেরিটোরিয়েল ইন্টিগ্রিটি অমদি শান্তিগীদমক য়েংদুনা লৈখিদ্রবা হান্নগী চিফ মিনিষ্টর আর কে জয়চন্দ্রনা এমএলআর অমদি এল আর এক্ট ১৯৬০ অসি চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা চৎনবা য়ারে হায়দুনা তাং ১৫-৯-১৯৮৯ ইংদা ৱারেপ লৌখি অদুবু লাইবক থিবদি লৈখিদ্রবা চিফ মিনিষ্টর আর কে রনবির সিংহনা ইংশোক ১৯৯০ গী লমদা থাগী তাং ২৮ দা প্রপোজ তৌদুনা তাং ৩০-৬-৯০ দা কেবিনেটকী ৱারেপ লৌদুনা ৱিদ্রো তৌবিখি। মরম অদুনা হায়রিবা এমএলআর এন্দ এল আর এক্ট ১৯৬০ অসি চৎনরম্বা তারবদি চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা অমগা অমগা ঙমখৈগী চয়েৎনরিবা অসিদা নত্তনা মণিপুরগী য়ুমলোন্নবদা থেংনরিবা ঙমখৈগী সমস্যা অসি লৈরমদবা য়াই।

অমরোমদা মণিপুরগী তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্টশিংদা চীং-মচা মচা কয়ারোম লৈরি। হায়রিবা চীং মচাশিং অসি তম্পাক্তা লৈরবসু মাগী মাগী দিষ্ট্রিক্টশিংগা নক্নব চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা চল্লি। খুদম ওইনা হায়রবদা ইম্ফাল সহরগী ময়োলদা লৈরিবা লাঙ্গোল চীংশাং অসি তম্পাক্তা লৈজরবসু সেনাপটি দিষ্ট্রিক্টতা চল্লি। মরম অদুনা তম্পাক্তা লৈরিবা চীংশিং অসিনা চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা চনবা তারবদি তম্পাক্কী লমশিং চীংগ দিষ্ট্রিক্টশিংদা হাপচিনবগা চপ মান্নরে। মতাং অসিদা মণিপুর সরকারনা তুংগী শান্না য়েংবা মীৎয়েং থম্বীহৌদ্রবদি মণিপুর তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্টশিংগী ফিভম করি ওইহৌগদৌরি। মরম অদুনা মতম মতমদুগী পাল্লিবা সরকারনা রাজনিতিগী ওইবা মীৎয়েং থাদোক্তুনা তুংগী ওইবা অশানবা মীৎয়েং থম্বীদুনা তম্পাক্তা লৈরিবা চীং পুন্নমক চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা চলহনবা হায়বসি অচুম্বা লৈঙাক্লোন ওইরক্তবা য়াই।

মসিগী মথক্তা তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্টশিং অসিদা হৌজিক পাল্লিবা এসপিএফ সরকারনা মখল মখা কয়াগী চাওখৎ থৌরাং তৌরকপদগী অমদি মখল কয়াগী কাংলুপকী মীওইশিংনা খুন্দা লৈতাশিল্লকপা অসিনা মরম ওইদুনা লৌউনবগী লম ৱাৎশিল্লকপদগী অৱাবা অমদি লৈফম লৈরক্তবগী অচৌবা চৈথেং অমা চহি খরগী তুংদা মশানা লাকপা তাবনি। মরম অদুনা তম্পাক্তা লৈফম অমদি লৌউফম মাংশিল্লকপনা অমদি মীশিংদি নোংম-নোংমগী হেনগৎলকপনা নোংমদি চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা চহি কয়াগী মতুংদা তম্পাককী প্রজাশিংসু খুন্দা লৈতারকপা য়াই। মরম অদুনা এমএলআর এন্দ এল আর এক্ট ১৯৬০ অসি চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা চৎনবনা চীংমী-তম্মী অনিমক্কী অমত্তা ওইবা য়ুম্ফম ওইবা মণিপুর ওইরক্লবগী অচৌবা লম্বেল অমা ওইগনি।

অদোমগী
ডাঃ এলাংবম যাদু সিংহ
ৱাংজিং।